হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, ওগষ্ট ৩০, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ১৫৪শুবা মশীং

# হারগী ৱাথোক

## হুরানবদা ছো শিন্নবগী থৌদৌ তাহল্লগুমসি

লৌউ পান্থা খুদিংগী মণিপুরদা হারগী, মরু ওইনা 'য়ুরিয়া' গী মতাংদা হেক-হেক থোক্লিবা ৱাথোকশিং অসিগী য়েংলুরগদি হায়রিবা ৱাথোকসি থোক্লিঙৈ মতমগী মণিপুরগী প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ত্রোনিক মীদিয়াগী কোপি অমসুং লিঙ্কনচিংবশিং মপানগী ষ্টেটশিংগী নাকোংদা অমসুং মিৎমাংদা য়ৌহন্নীংদে। ইকায় ফিরুক খুম্ননি, শঙবাইদা ফম্মী হায়বদুগী ফীভমদুমক তাগনি। অদুবু হারগী ৱাথোকসিদি অনৌবা নৎত্রে। হায়নরিঙৈদা হয়া হায় হায়বগী ফীভমদুদা হেক্তা তাই। চহী খুদিংগী লৌউ পান্থা য়ৌরকপদা ৱাথোক্কা লান্থোক্কনা পীক হেক্তা থল্লি। ৱাথোকসিদি পোলিটিকেল পার্টি অমনা নৎত্রগা অমনা লৈঙাক পায়বা নৎত্রগা পায়দবগী ৱাফম নৎত্রে। লুচিংবা অমনা অমনা ওইবগী ৱা ঙাকসু নৎত্রে। লৌউ পান্থা খুদিংগী শোয়দনা থোক্তবা য়াদবগী মওংদা অদুম্মক থোক্লে। হায়রিবা থৌদোকশিং অসি থোরক্লবনিনা ৱাহং কয়া চোঙথোরকই। অমত্তা নত্তে, ৱাহং লিশীং লিশীংনা খুজিং ওইরকই। অদুবু পূম্নমক্তু লোইনা লামশিল্লুদ্রবসু শুপ্নতগী ষ্টেটসিগী হীরম খুদিংমক্তা ফৈগাক ফৈনা থৌদাং লৌদুনা লৈবাক ৱায়েল্লিবা লৈঙাকপশিংনা অতৈ থবক্তা মায়পুনদুনা, মনা-মনিল নাইহন্দনা মায় পাক্লা পাঙথোক্লককপা ঙম্লগা লৌমীশিংনা লৌ পানবা হৌরকপদা থোরক্লিবা হারগী ৱাথোকসিবুনা থোকহন্দবা ঙমদ্রিবা করিগীনো? য়ুরিয়াগী মতাংদদি ক্লাক মখোঙ পূত্থবদৌনা হেক্তা থোরক্লিবা করিগীনো? ৱাথোকসি চহী খুদিংগী থোরক্লবনিনা হৌজিক্তি মীয়াম্না লৈঙাক্তগী, লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিদগী চপ চাবা পাউখুম পাম্নরক্লে। ৱাহংসিগী পাউখুম মরৈ-মরা তৌদনা থৌনা ফনা খুন্নকপা ঙমগদ্রা? হারগী মতাংদা পুকচেল শেংনা অচুম্বা, অশেংবশিংতমক তৌখিবা ওইরগদি কিথি-কিরুম তৌফম থোক্তে। ফন চোঙথোরক্তুনা পাউখুম পীফম থোকই।

মরমদি মণিপুরগী লৌ উবা য়াবা লৌফম অমসুং লৌবুকশিংগী ময়েং নোংম-নোংমগী তাশিল্লক্লে। হায়বদি এগ্রিকলচরেল লেন্দগী পাক-চাউবশিং পীকশিল্লক্লে। মসিমক্লা লৌবুক অমসুং লৌফম কন্নবা কুমজা ২০১৪দা মণিপুর কঞ্জার্ভেসন ওফ পেদ্দিলেন্দ এন্দ ৱেটলেন্দ এক্ট শেমদুনা চৎনহল্লক্তুনা মণিপুরগী লৌবুকশিং মখা তানা ময়েং তারক্কদবদগী কন্নবা অকনবা থবকশিং পায়খৎলক্লিবনি। হায়বদি চহী খরগী মমাঙদগী ষ্টেটসিগী লৌবুকশিংগী অপূনবা পাক চাওবগী মরক্তগী লেপ্তুনা হন্থরক্লিবনি। অদুম ওইনমক য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা মণিপুরগী ওইনা লৌবুকশিংগীদমক পীরক্লিবা হারগী কোটাদি তাথরকপা নত্তে, হেনগৎহল্লক্লিবনি। মসি ওইরগদি লৌমীশিংনা মখোয়গী শীজিন্নফম থোকপা হারগী চাং শুনা ফংদ্রে নৎত্রগা পীদ্রে হায়বগী ৱাথোকশিং থোরকপফম অমসুং থোরকহনফম থোকপ্রা? মণিপুরগী লৌবুকশিংদা মথৌ তাগদবা য়ুরিয়া হারগী চাং য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা হোৎলগা পীরকপনি। কোন্নদ্রগনা কোন্নদ্রে হায়দুনা হায়রগা অহেনবা (এদ্দিসনেল এল্লোটমেন্ট) লৌননবা য়েৎনগদবনি। অদুবু মণিপুরগী লৌবুকশিংগীদমক পীরকপা হারবু শীজিন্নগদবা লৌমীশিংনা শুনা ফংদ্রে হায়রক্লিবসিদি কুমসি চহীসিদা নত্তে, চহী খরগী মমাঙদগী থোরক্লবা ৱাথোকনি। মসি ওইরগদি লৌমীশিংদা পীফম থোক্লিবা, পীগদবা হারশিং খরা পীরবসু পীফম থোকপা চাং য়ৌনা পীদ্রে। উচি মখুলদা চঙখিবদৌনা হার খরা মাঙখ্রে হায়বা নৎত্রা? থৌওং অসিমক থোক্লবনিনা মসিবু থোকহনফম থোকপা থৌদোক্লা হায়বগী ৱানি। থৌওংসিদি লৌমীশিংদা হার ফংহনবা/য়েনবগী থবকসি হুরানবদা ছো শিন্নবদৌনা থোক্লব্রা হায়বসি হংনরকপা মশানা তাবনি। মরমশিং অসিনা হারগী ৱাথোকসি হন্দক্লা হন্দক ওইখ্রে, মতুংদা অমুক হন্না থোরকহন্দনবা হোৎনহন্নীংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৮

১) **"খানিংপা হোঙনতে মিকোনপা হোঙনতে। খানিং মিকোল আমা তৈপাতি য়িয়ুবা চিঙখোঙ পোইরৈতোন মখুরোনপু কোনপানে।"** ৱাহৈ পরেং অনীসি করম্বা অরিবা লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

২) **"মণিপুরী রাস"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৩) মণিপুর মপানগী অইবী অমগী লাইরিকনি **"প্রলয়গী খূৎশোক্তা"** হায়বা লাইরিক অসি। লাইরিক অসিগী অইবীসি কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **"নিংশিংবগী মীহুৎথোঙদা"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **"...মতম অসিদা গম্ভীর সিংহ অমসুং নরসিং অনীমক কাছারদা লৈরি। ইংরেজগী মায়কৈদগী কেপ্তেন গ্রান্টনা ঔৱাশিংবু তান্থোক্লবা মচিন মনাও অনীগী মতেং নীরবদা নরসিংনা ময়াম্বুং গম্ভীর সিংহগা তান্নরগা ঔৱাশিংগী মথক্তা লান্দাদুনা ঔৱাশিংবু মায়থীবা পীখিবগী মতাং অসিদগী হৌরদুনা গম্ভীর সিংহ অমসুং নরসিং অনীনা মণিপুরদগী ঔৱাশিং তান্থোকখি।"** ইতিহাসকী মতাং অসি য়াওরিবা লাইরিক মচা অদু করি লাইরিকনো অমদি কনানা সম্পাদন তৌবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মৈতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব চনবদা করিগী অথিং অরাক!

হেক্তা হায়নীংলকই - ৭১৭

**জিতেন নামৈরাকপম**

ঐখোয়গী পীকখ্রবা লমদম কংলৈপাক, মণিপুর অসি ইস্যু কয়ানা থল্লবা লমদম অমনি হায়বদা লাল্লরোইদ্রা খঞ্জে। চহী খুদিংগী, দিকেদ খুদিংগী দিমান্দ, প্রোটেষ্ট, এজিটেসন, রেল্লি লোইবা খন্বা নাইবা নত্তে। হীরমশিং অসিগা মরী লৈননা পাল্লি-পাল্লিবা লৈঙাকশিংনসু হোৎনবা য়াবা হোৎনবিখ্রে। ৱারী শানরগা ৱাখল তামিন্নরবা মতুংদা য়ান্নবা পুরকপা, মরক্তা থরুম তৌনরগা মুক্লরকপা মতমদা মীচম প্রজা লিশীং-লিশীং, লাখ-লাখ অৱা চৈথেং কয়া মায়োক্লখিবনি। নিশা বন্দ, মৈরা পায়বী, ব্লেক লো - আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱর্স এক্ট ১৯৫৮, কুমজা ১৯৮০গী মখা শমথরকপদা এমসুগী 'গো বেক ফোরেন্নর', মৈগী ঈশিংগী, লম্বীগী, অনা লায়েংগী, লৈত-লায়রগী, ইচিন ইনাও চীংমীশিংগী দিমান্দ, বন্দ-ব্লোকেদ, এন আর সী, আই এল পি, ময়াম অসিগী তুংইন্নবা মীয়ামগী পেন্দবগী খোল্লাউ ঙসিসু লেপ্পা লৈত্রি। ইন্দো-নাগা পিছ টোকনা মণিপুর কায়গে কায়গে তৌবা মানবা থৌদোক কয়া লৈখি। মথৌ চিঞ্জরবা নোংমগী চরা তাঞ্জরিবা মীওই কয়া মরৈবাকপু থম্মোয়নুংদা থাগোন্নবা থমজবা, থৱায় থারবসু থাজরে মরৈবাক্কীদমক খঞ্জবা কয়া মরৈবাক্কীদমক পাম্মুবা লৈতনা থৱায় থাদোকখি। জুন ১৮গী থৌদোক মীয়াম্না কাউবীরম্লোই খঞ্জে। মরৈবাক্কীদমক থেংনবা য়াবা থেংনজগে খঞ্জবা মীওই কয়া ঙসিসু লেঙদনা মতম মফম ঙাইরগা লৈরি থাজবীয়ু।

মণিপুরদা থোকপা ইস্যু, দিমান্দ, এজিটেসন, প্রোটেষ্ট, রেল্লি কয়াগী মরমদা তেনখ্রবা কোলম অসিদা ইবদা চনগদবা নত্তে। ইবগী লোইবা নাইররোই। আই ভি রোদ হায়গেরা ইন্টর ভিলেজ রোদ হায়গেরা মদু নোং চুবদা কোইলা মহী থোকপা, নুংশা শারগনা কোইলা উফুল হৌরকপদগী লম্বী তৌখাইরগা বন্দ তৌনবা লমদমনি। উরোক থোং অমা লানবদা তেল্লক্তুনা ঈশিংদা তারকপদগী উরোক থোং শীদোকপা কয়া য়াওখ্রে। শেন্বীবা শেন্বীদবদুনা অমনি। মৈ, ঈশিং, লম্বী, থোং উজ্বার মেলাগী লমদম ওইবদসু মমিং চৎলিবনি। মরক অসিদা প্রি পেদ লাকপদগী মৈগী ফীভম খরা ফগৎলক্লে হায়বসিদদি মীয়াম্নসু শোয়দনা য়াবিনীংগনি খঞ্জে।

নুমিৎ খুদিংগী, হাপ্তা খুদিংগী, থা খুদিংগী, চহী খুদিংগী ঈরাং থোক্তবসিবু করি য়াওরিবগে লমদম অসিদা। প্রিন্ট অমদি ইলেক্ত্রোনিক মীদিয়ানা লাঙ্গোয় চনখ্রবনা ৱাকৎ ময়াম অসি তাবদা মরী লৈনবশিং কোক চিক্লি চিক্লি তৌরমগদ্রা!

মণিপুরমুক ঈরাং থোকপা লমদমবু করি মফমদা লৈরিবগে? অসিগুম্বা লমদম অসিদা হিংলিবা ঐখোয়সিবু লাহবক ফৈ হায়গেরা ফত্তে হায়গেরা ওন্থোকপা লমদম হায়বদুনি। ঈংনা চিক্লা পাল্লম্বা মণিপুর ঙসিদি ওইদ্রেকো খল্লুবদা পুক্লিংদা নুংশিবা ফাওরকই। সেরিজ নাইনা চত্থরকপা পোত্থাফম খঙদ্রবা, শান্তি হায়বদু ফংদবা লমদম অসিদা কৈদৌঙৈ ঈরাং লোইরক্কনি কনানা হায়বা ঙমগনি। পূম্নমক লোইনা কান্থোক্লগা হার হেক্তা হায়রসি ফর্টিলাইজর, লৌ-শিং উবদা শীজিন্নবা য়ুরিয়াগী মরমদা লৈবাক ৱাথোক ওইনরি। মসিসু ঙক্তে করম হায়গনি। য়ুরিয়া হার অসি ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা খঙলুদে। ঐখোয়সু লৌ উরম্মী। ষন্থি-ষণয়ুং, শম্পোৎনা লৌ খোইরিঙৈ, উকায় তক্লিঙৈগী মতমনি। মতম অদু কুমজা ১৯৮০গী মতম ওইরমগনি। লৌ শঙম অমদা ফৌপোৎ বোরা ১০গী মথক ১৫ শুনা থোকখিদে। হৌজিকপুদি ২৫/৩০ হেন্না থোক্লে হায়নৈ। শঙম অমদা ফৌপোৎ ৫দগীনা ১০ লৌশাল ওইনা থিনবীরকই। অদুবু হৌজিক্তি য়ুরিয়া হার ফংহন্দবগী মণিপুরদা ফেমিন/চাক তাঙবা থোক্লগনি হায়না পাখৎনরি। মরমদি লৌবুক লৈত্রক চৎলে, হারসু ফংহন্দ্রে, ব্লেক্তদি লুপা ২৬০/৭০ পীবদুনা লুপা ১২০০/১৩০০দগী ১৫০০ ফাওবদা ফংলে হায়নরি। অঙকপা মণিপুর ওইরক্লে। অঙম অঙম্বা মুল্লগা, লাক্লগা চান্নবা, মীগী চাক্লুক্তা খুজাই থাংজিনবগী ফীভম লাক্লব্রা পাখৎলকই।




মণিপুরদা লৈঙাক মপুনি, মপি মপানি হায়রিবশিং অসি তশেংনা মরমদম মণিপুরবু থৱায় হকচাং য়াওনা নুংশিবীরগদি ওন্থোক্লা ৱারমগদ্রা খঞ্জে। দিমান্দনি, দিমান্দনি হায়রগা মীনা পুবা থাংবা ঙম্লোইদবা দিমান্দ তৌরক্লবদি নঙসু ঐসু খাঙবা ঙম্লোইদ্রা খঞ্জে। পীকখ্রবা মণিপুর অসি মচেৎ মচেৎ শেগাইরগা তোঙান তোঙানবা লৈঙাক ওইনা লৈজরগে হায়বদু হৌজিক্কী চীফ মিনিষ্টর বিরেননা মানা হিংলিঙৈ মতমদদি শুংওই ওইথোক্লোই হায়না খোঙফম চেৎনা লেপ্পীখিবা অদুমদি মীয়াম্না অদুম্মক থাগৎতুনা লৈহৌরগনি। তৌবতবু মতাংসিদা সেদ্যুল্ড ত্রাইবতা মৈতৈনা মীং চলহৌনবগী মতাং অসিমসু ইরায় লায়না কান্থোকহন্নীংদে। ঙসিদি ঐসু হিংলি, নঙসু হিংলি, জেনরেল ক্লাসতা চল্লগা থাক ৱাংনা লৈবা মৈতৈনি হায়না মুকখায়নবা য়াওনরি। শুমাং লীলাদা, দ্রামা, সিনেমাদা নিংথৌ শাবা আর্টিষ্ট অদুনা ময়ূমদা হল্লকপদা নুমিদাংগী চাক্লেন্দা হঙ্গাম থোংলম্মী, ঙারি অমত্তসু য়াওদনা নিংথৌনবু হঙ্গাম থোংবা চাব্রা হায়না শমুক্তগী চাক-এঞ্ছাং কাওখায়খিবগী ৱারী অদু পনবা য়াই। মতৌ মালহনবগী ৱানি, পীকখ্রবা তম্পাক্লম অসিদা মীওই খুজোক খরা নত্তনা মৈতৈমুক ৱাবা লৈত্রবনি থাজবীয়ু। পীকখ্রবা লমদমসিদা মীতোপশিংনা হাইজিল্লক্তুনা খুন্দারক্তনবা সেদ্যুল্ড লিষ্টতা চলহৌসি হায়বগী মীয়ামগী খোঙজংদা শৌগৎফম থোক্তব্রা? ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৮২

ৱাখল ইহুল

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

অহিং-অহিংদা মপু-মনাই উনরগা ৱারী ৱাতাই শানবদু মপান্দা ঙাক শেল্লিবা নিংথৌ মনাইশিংনা তারদুনা মচা ইবেম্মদি চৎহৈদবা লম্বী চৎলে হায়না সনা নাকোং য়ৌখি। থৌদোকসিদগী শ্রী গোবিন্দজিনা মনাই শিজ লাই ওংবীদা - "ঐগী মুর্ত্তি অসিদি মণিপুর সনা লৈবাক্তা অসুম্মক লৈহৌরসনু, নঙ ঐ তত্তনা উনবদা কায়রোইদবা মফম শ্রীধাম নবদ্বিপ্তা চৎলসি। মফমদুদি ঐগী মুর্ত্তিসি গৌরবর্ন ওইবনি, নপাবুং মহারাজদা ঐবু নিরুপন তৌখিবা থৈবোং মকক অমা কক্লগা নিরুপন লাংহল্লো। মুর্ত্তিদুগী মমিংনা 'অনুমহাপ্রভু' থোঞ্জরো। অভিষেক লোইরগা ঐগা গঙ্গা তীর্থ শ্রীধাম নবদ্বিপতা লৈরুরসি।' অসুম্না তাকখিবা ময়াথং পূম্বা ... ৱাফম চেমায় - ২৯গী অহানবা মকক - পূম্নমক অশোয়বা য়াওদনা পাঙথোকচখি। মরমসিদগী শ্রী অনুমহা প্রভু ইবুংঙোবু মচা ইবেম্মা শিজ লাইওংবীগী নীংজবা পূম্বা থুংনবা মহারাজ চীংথং খোম্বা রাজর্ষিনা শীনবীখি।"

হিন্দু লাইনীং পুশিল্লম্বশিংনা লমদমসিগী খুন্নাইদা খুদোল তল্লম্বা ফজদবা মচৎ :-

মণিপুর কৌরবা লমদমসিদা হিন্দু লাইনীং (শম্না) পুশিল্লম্বা মৈদিংঙু পামহৈবা অমদি মশু ইবুংঙো মৈদিংঙু চীংথং খোম্বা অনীনা পানখিবা মতমশিংদা হৌজিক্কী মতমদা হায়বা তারগনা খুন্নাইগীদা ভাইরেল ওইবা হায়নবগুম্বা ওইবা য়াবা থৌদোক অনী থোকখি। পামহৈবা নিংথৌগী মতমদনা মশাগী মীরম লাইনীংগী লাইমিং গুরু ওইবা শান্তিদাস গোষাইদা নিংথৌ মশাগী মনাও ইবেম্মা মাইবম চনু হিদাকশুংবীনা পোকপী তম্ফা ৱাংঙমলোন চমপকলাতা অহেনবীবু থাজদুনা লুহোংলগা মতমদুগী খুন্নাইদা নত্তনা হৌজিক্কী খুন্নাইদা ফাওবা মীচম মীয়ামগী মীনোক চঙনীংঙাই ওইবা অশেংবা থৌওং অমা শেমগৎলম্বসিনি। অনীশুবা থৌওং অমদনা - মবুধৌগী মতমদা থোকখিবদুগা হায়ফেৎ মান্নবগুম খেন্নবগুম তৌবা মওংদা চীংথংখোম্বা মহারাজনা মশাগী মমাঙদগী হিন্দুগী লাই কৃষ্ণবু লমদমসিদা গোবিন্দজিউ হায়না থৈবোং মকক্তগী শাহন্দুনা নিরুপন তৌরবা মতুংদা মমা ইবেম্মা শিজ লাইওংবী/ বিম্বাবতীনা শ্রীগোবিন্দজিউদা থৱায় হকচাং পূন্না কথোকখিবদগী কায়নথংদা শ্রীগোবিন্দসি শ্রী অনুমহাপ্রভু ওইনা অমুক নিরুপন তৌরকখিবগী ৱাফম মথক্তা পনখিবা লাইরিক্তুগী চেমায় ২৮শুবগী ২শুবা মকক হৌরকপদা পল্লি। লাইনি হায়রিবা গোবিন্দগা মাগী মনাই ওইনীংজরিবী মীগী মপোক্তা পোকপী, লাই ওইবা মাবু শাফোংহন্নবা/পুথোক্লবা হোৎনরিবা চীংথং খোম্বা মহারাজগী মজাইবেম্মা, বিম্বাবতিগা অহিং অহিংদা ফাওবা নুপা অমগা নুপী অমগা কা মনুংদা লোন্না ৱারী ৱাতাই শানবদু মপান্দা ঙাক শেল্লিবা নিংথৌ মনাইশিংনা তাবদু তল্লকপদগী সনা নাকোং য়ৌখিবগী ফীভম ফাওবা য়ৌরকখি হায়বসি মতমদুগী খুন্নাইদা নত্তনা হৌজিক্কী খুন্নাইগী চৎনবীদা ফাওবা ফজবা থৌওং নত্তে হায়না শোয়দনা লৌফম থোকই। মতাংসিদা য়ান্না হকচিন্না কিনীংঙাই ওইরক্লিবদি - মৈদিংঙু চীংথং খোম্বগী মতমদনা মশানা য়াম্না থাজনা গোবিন্দ/কৃষ্ণবু লাইনি হায়না শেমগৎচরগা য়াম্না থাজনা নীংজখিবদগী অমুক নিংথৌগী মজাইবেম্মা বিম্বাবতিনা করম্না হেনজিন্না থৱায় হকচাং ফাওবা কথোক্লা নিংলুবদগী লাই ওইরিবা মহাক্লা মনাইদা মনাই অশেঙবা ওইহন্নবা সম্না তালোই ওইবগী ফীভম ফাওবা ওইহল্লকপা য়াবা - 'মীরম লাইনীং লিচৎসিদি লমদমসিগী নুপী নহা ওইবীশিংনা থম্মোয় শেংনা নীংবদা অমাঙবা ওইরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে' হায়না অশেংবা মতমদুগী ওইখিবা ফীভমদুদা য়ূম্ফম ওইরগা হায়বদা কয়াম লানগদগে হায়না থমজগে।

তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়সে অপান্নবা কাঙলূপ/ফুরুপ/কাঙবু/মীওই মশাদুতং ওইরবসু থোকখিবা থৌদোক অমগা মরী লৈনবা অশেংবা ৱাফম/ৱারোল খরা হায়রবদি শাওগনি। শোয়দনসু শাওই। অশিংবা কনাগুম্বা অমা ওইরবদি শাওরোইদবনি। অশাওবদু খন্থদনা খুন্নাইদা উৎথোক্লবদি অহানবদা মী অনী খক্তং ৱারী শানবদু কোন্নথংদদি অহুম পূল্লা, মঙা পূল্লা, তরা পূল্লা ৱারী শানরকপদগী কোন্নথংদদি হৌজিক্কী মতমদা হায়রগনা ভাইরেল ওইবা হায়বা ফীভমসি ওইনরকইবসিনি। খুদম পামহৈবা নিংথৌগী মতমদনা নিংথৌ মশানা শান্তিদাস গোষাইগা নকশিন্ননীংবদগী মশানা হেক পোকপী মজাইবেম্মবু তৌফম থোক্তবা থৌওং অমা ওইনা লাইমিং গুরু ওইরিবা মঙোন্দা থাজদুনা লুহোংবদা গুরু মশানা য়ারুবসি লাইনীংদুগী ফজদবা মচৎ উথোকপনি হায়না লৌফম থোকই। অদুগা ভৈগ্যচন্দ্র নিংথৌগী মতমদনা গোবিন্দ/কৃষ্ণবু মপাবুং মহারাজগী মথৱায় কনবীরকপদগী থাজনা নীংজবদা করি করম্বা ৱাখলদগী মজাইবেম্মনা মপাবুংগা মীরম লাইবু মুন্নরুবদগী থোকখিবা থৌদোক্তু চুম্বা খরদি ৱাৎলি হায়নীংলোইদ্রা?

লমদমসিদা নত্তনা অতৈ মপান লমদসু গৌড় লাইনীং/হিন্দু লাইনীংগী মরাইবক :-

লমদমসিগী হিন্দু লাইনীং/গৌড় লাইনীংদা থৱায় য়াওজবা মীওই কাঙবু খরনদি মথক্কী লাইনীংসি লমদমসিদা চঙলকপা কুইরে হায়নীংবা কয়ানি। চঙলক্লবনিনা চৎনরে হায়নীংবগী ৱাখলসু অদুম চেল্লিপোৎনি হায়বা য়াই। অদুবু চঙলকপা খুদিংমক চৎনরে হায়বদি লানগনি। খন্নবা য়ারিবদি লাইনীংবু ওইগেরা, চৎনবীবু ওইগেরা, লৈঙাক কাঙলোনবু ওইগেরা, করিগুম্বা অমা চৎনরে হায়না লমদমদুগী ওইনা হায়বা তারবদি মতম মতমদুদা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতম/দেমোক্রেসিগী লৈঙাক লৈবা মতমদা মীচম মীয়াম খঙনা লাউথোক্লগা মতম অসিদগী/ঙসিদগী মীয়াম হুপ্পা চৎনরগনি/চৎনরে হায়বগী মচৎ অমা লৈফম থোকপসি অমত্তা লৈতে। অদুনা চৎনরক্লে হায়বসি য়াফম থোক্তে। কনাগুম্বা মীওই খরদা খুদোল পোৎ ওইনা পীরকপা পোৎশক অমবু মশানা পাম্বদগী পুশিঞ্জরকপা/লৈজরকপা পোৎশক অমা শীজিন্নবদু অতৈ মীওই খরনা উরে হায়রগা শীজিন্নবা খরা য়াওরকপদুনা চৎনরে হায়বা য়ারোই। মসিদি মরন্নাইগী ওইবা ৱাফমনি হায়গনি।

নাকল অমরোমদা, অসিগুম্বা মরন্নাইগী ওইবা পোৎশক্তু অতোপ্পনসু পাম্বদগী মতৌ তমদুনা শীজিন্নবা মশীং খরা হেনগৎলক্লবদি/য়াম্লক্লবদি অফবা ওইরগনা খুন্নাইনা য়াবদু লমদুগী লৈঙাক্লা অয়াবা পীদুনা চৎনহনবা নত্তে হায়গনি। অফবা ওইরগনা লৈঙাক্লা খঙশিন উশিন্নদনা নাথৈদুনা লৈবদা পাক শন্না শীজিন্নরকপদগী/পাম্নরকপদগী খুন্নাইদা চৎনরক্লে হায়রবসু মদুদা করিগুম্বা মরম অমদগী পাল্লক্তবা মচৎ অমা হেক য়াওরকপদা লৈঙাক্লা থিংলকপদা চৎনদনা চৎনরম্মে হায়বদু তোকখিবসু য়াই। খুদম, হিন্দু লাইনীংগী ওইবদা দুর্গা পুজা মনুং, দিপাৱলিগী নুমিদাংদা বম্বুলা মখোল অহৌবা-হৌদবা, রোকেট, মচু মচুগী মৈকাপ্পী থাবনচিংবা তৌনরম্বসি লল্লোন ইতিক তৌবশিংনা শেন্দোং ফংনবা তৌবদা শেল তিংথোকপা পাম্মুদবা খরনা মতম অমদা য়াম্না পাম্না তৌনরম্মী। বম্বুলা পোকখায়বগী অহৌবা মখোলশিংনা নিল খোংবগী চাং য়াম্না হেনগৎপা, রোকেটনা মীগী ময়ূমদা তাশিনবা, মীয়াম মরক্তা শোইবদগী পাইশিন্দুনা অশোক অপন নংহনবা, মৈকাপ্পীনচিংবা ময়ামসিনা নুংশিৎ শেংহন্দবা কয়া থোকহল্লকপগী চাং য়াম্না নেমলিঙৈদদি লৈঙাকসু থোইনা করিসু হায়রমদে। অদুবু কাইনথংদদি লৈঙাক্কী অকনবা য়াথংগা লোয়ননা অথিংবা কয়া থল্লকপদগী হৌজিক্তি কুম্মৈ অনীসিদা বম্বুলা অমদি মৈকাপ্পী থাবা/কাপ্পগী চৎনবী ওইরম্ব্রা খল্লম্বদু তোকখ্রে হায়বা য়ারে। মফম খরদা য়ূমশিংদা তৌনরম্বশিংদু তোকখ্রে।

ওড়িষাগী পুরিগী জগনাথ ক্ষেত্রদা কাং চিংবসি হিন্দু লাইনীংগী য়াম্না মরু ওইবা কুম্মৈ অমা ওইবনা মতৌ তম্বদগী লমদমসিদসু লৈকায় অমদা খরা খূৎকন পাঙ্গনবা য়ূম্নাক অমগী অহল লমন খরনা লাইগী মিংদা লম কৎলগা, লাইগী শঙলেন (মন্দির), অতৈ অতৈ শারগা মৈতৈ/মীতৈ বামোন খরবু লাইগী থৌগল (সেবা) চৎহন্নবা থল্লিঙৈদা মণিপুর কৌরবা মতুংদা মরু ওইনা সনা কোনুং অমদি বিজয় গোবিন্দ অনীদা হান্না সনা কোনুংদা চিংলগা মথংদা বিজয় গোবিন্দগী কাং অনীসি চিংনরম্মী। অদুগা খরা থেংলপ্পা লৈকায় লৈকায়গী ওইবা কাংশিং চিংনরম্মী। হায়রিবসি চহী খুদিংগী ইঙেনগী নীনি পানবদা অচৌবা কুম্মৈ ওইনা পাঙথোক্লরম্বসি মরম কয়াদগী তোক্লরক্লে হায়বা য়ারে। সনা কোনুং অমদি বিজয় গোবিন্দ নত্তনা অতৈদি মমিংতগী ওইনা তৌনরগা পাঙথোক্লরে। শম্না হায়রবদা, ঈনাৎ লাইনীংগী থৌরমশিং ওইনা তৌবদা কান্নবা খঙলকপা মীগী মশীং তপ্না তপ্না লৈকায়শিংদা য়ামখৎলকপদগীনি হায়বা য়াই। ●